**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-10.2024)**

**হৌ চোংবা (এল)ঃ** চিংবুরোই-তম্বুরোই মচিন মনাও ওইবগী মরী তাক্তুনা অঙনবা মতমদগী হৌনা লমদম অসিদা পাঙথোক্তুনা লাকপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম নাৎকী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য থাক্কী ওইবা মেরা হৌ চোংবা ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অসি ঙসি অয়ুক্তগী হৌখি। সনা কোনুংদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং পুল্লবা মতুংদা কংলা তমা খোঙচৎ অমা চৎখি। লোয়ননা, লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরম পাঙথোক্তুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা মেরা ৱা য়ুংখি অমসুং মেরা মেন তোংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

মৈহৌরোলদগী চৎনদুনা লাকখিবা লিক্লমশিং কায়হন্দনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। মদুগী মনুংদা য়েংখোম তম্সু য়াওরি। তুংদা, কংলা উত্রা মমাংদা চিংমী-তম্মী অনিগী মরক্তা মানা মানা ঙমজবা খুদোল তমদুনা অমত্তা ওইবা নুংশি চান্নবগী মশক অদু উৎখি। য়েলহৌ ফুরুপশিংগী জগোই-ঈশৈ উৎপনা থৌরম অদুবু হেন্না মপুং ফাহনখি।

মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী মশক তাক্লিবা কুম্মৈ অসি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা লৈতে। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি চহি কয়াগী মমাংদগী চিংমী-তম্মী অনিগী নুংশি চান্নবা মরী উৎতুনা লাক্লিবা থৌরমনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং

অমত্তা ওইনা পুনদুনা হরাও তয়ামা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোকমীন্নবা অসি হরাউবা ফাওই। লাইনিং, ফিজেৎ চকচা খেৎনরবসু মীওইবা হায়বা জাতি অসিনা পান্নিবা অসি হরাও তয়ামা লৈবদুনি। মরম অদুনা ঐখোয় মশেল অমনা অমদা মরাল শিন্নবা, য়েংথিনবগী মচৎ অসি থাদোক্তুনা লাক্কদবা মতমদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি হায়না মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং-খাশিম বাশুম, ডা: এস. রঞ্জন, হৈখাম দিংগো, লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো য়াওনা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এশিং শরুক য়াদুনা খুদোলপোৎ তমখি।

ককচিংগী লংশাই থৌনানাসু শিনদুনা মেরা হৌ চোংবা অমসুং মেরা ৱা য়ুংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। সোলিদরিতি ইন ব্রদরহুদ হায়বা ৱাখল্লোন অসি থমদুনা থৌরম অদু ককচিং ৱাইরি ইবুধৌ খমলাংবা লাইকোনদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপশিং শরুক য়াদুনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈশিং উৎখি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** শকয়েং মিংশেলনা শিনদুনা শকাইরবশিংগী ‘লিক্লু পরেং’ কৌবা অহুমলকশুবা সোলো আর্ট ইগজিবিসন অমা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা থোইথোইবা ময়াংলাংবমস (য়েলহৌ য়াংকোক আর্টিষ্ট) কী সোলো আর্ট ইগজিবিসন অসিদা শকাইরবা মীওইশিংগী অয়েকপা লাই ৩০ রোম উৎলি। থা অসিগী ২০ ফাওবা চথুগদবা ইগজিবিসন অসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং শৈরেং শৈদিন্নবা পাঙথোক্কনি। নোংমাইজিং নুমিৎতনা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবসু পাঙথোক্কনি।

**ফি (এল)ঃ** মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থোঙাম সান্তিনা ঙসি মোইরাং

কলেজগী ব্লোক অনিদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা নাৎকী ওইবা ফিরোলশিং খ্দোল তমখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী সান্তিনা হায়-লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংগী তঙাইফদনা চংবা ফিরোলশিংগী অৱাৎপা মেনখৎনবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল অমসুং কাংপোকপী জিলাগী হাইবুংদা এক্স-সাভির্সমেনশিংগা উন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-অসাম রাইফলস অমসুং ফোর্স অসিগী থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মীওইশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমসুং মখোয়গী তঙাইফদবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎমীন্ননবগী পান্দমদা থৌরম অসি শিনবনি। থৌরমশিং অদুদা পুন্না এক্স-সাভির্সমেন ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** ৩৫ শুবা লোক্তাক নুমিৎকী পালন থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রন ফোর লোক্তাক হায়না মীংথোনবা লমজেল অমা সেন্দ্রাদগী নিংথৌখোং ফাওবা চেনখি। লমজেল অসি প্লাষ্টিক পোল্লুসন থিংদুনা লোক্তাক পাৎপু কনশি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, নিংথৌখোংনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

লমজেল অদু লমথারদুনা এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশ্বিনি কুমারনা হায়-লোক্তাক পাৎপু হান্নগী ফিভমদা হজ্ঞিনহনদুনা মালেমগী মশক থোকপা পাৎ অমা ওইহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি। মসিদা মীয়ামা মতেং পাংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

লমজেল অদু লমথারবা তুংদা লোক্তাক ইমা লাইরেম্বীগী থৌনি থৌরমসু

পাঙথোকপগা লোয়ননা পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ) গা খুৎশমদুনা লোক্তাক পাৎ অমদি তকমু পাৎতা ঙা মচা লাখ ৫ রোম থাদখি।

এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশ্বিনি কুমারনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিসরি বিভাগকী দাইরেক্তর ঐচ. বালকৃষ্ণ, লোক্তাক ডে সেলেব্রেসন কমিতিগী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মন্ত্রি-ঐচ. সনায়াইমাসু শরুক য়াখি।

অমরেমাদা, থাঙ্গাগী হাউরেং চিংঙাংদা লোক্তাক লেক চেল্লেঞ্জেস হায়বা হীরম অসিদা রাজ্য থাক্কী সেমিনার অমসু ঙসিগী নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখি। থাঙ্গা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা মহৈরোইশিংদা লোক্তাক পাৎ কন্নবা ৱাশক লৌহনখি। লোক্তাক নুমিৎকা মরী লৈননা থাঙ্গা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওইরিবা মনিপুর ষ্টেট পৱার কম্পানি লিমিটেদকী চেয়ারমেন-টি. রোবিন্দ্রোনা লোক্তাক পাৎ অমদি পাৎ অসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়াম মরুওইনা থাঙ্গা কেন্দ্রগী ঙামীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়-ঙসিদগী ঐখোয় খুদিংমকা মহৌশা লাইরেন্বী ইমানা পীবিরম্বা মপাল নাইদ্রবা লন ওইরিবা লোক্তাক পাৎপু কন্নবা হোৎনমীন্নরসি।

**য়ুথ (এল)ঃ** য়ুথ ওফ মনিপুরগী থৌমী অহুম পুলিসনা ফাজিনখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি মীফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

সনা খোঙনাংমখোং নুপী মৈরা লুপনা শিনদুনা চিংঙামখা নিংথৌজম অমসুং য়াংলেম লৈকাইদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমশিং অদুদা মখোয় অহুমবু থাদোরকবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

শিংজমৈ চিংঙামখা পরেং, শিংজমৈ কৈথেল, শিংজমৈ ত্রাফিক পোইন্ট মপা, লংথাবাল কুঞ্জা কৈথেল, লিলোং কৈথেল, থোংজ্ লাইমাং অমসুং

হৈরাঙ্গৈইথোংদসু মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম চঙখদুনা ফাজিনখিবা য়ুথ ওফ মনিপুরগী মীওইশিং থাদোকউ হায়না দাবী তৌখি।

**ডে (এল)ঃ** মেন্টেল হেলথ ডেগী 'ইট ইজ টাইম টু প্রাইয়োরিটাইজ মেন্টেল হেলথ ইন দা ৱাক প্লেস' হায়বা হীরমদা কুমশি চহিগী ওইনা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম ঙসি নোনে জিলাগী খুমজি বজারদা লৈবা রহেমা পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা পুকিং ৱাখলগী লায়নাদগা ঙাকথোকবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**উ (এল)ঃ** নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালনা য়াইরিপোক কেক্রু য়াইরি ক্লবকা খুৎশম দুনা ঙসি এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা য়াইরিপোক কেক্রু গ্বরোক মহাদেব লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ-চারাশিং থাখ্রে। মদুদা পুন্না উ চারা ২০০ রোম থাখি হায়রি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া আর্মিগী রিক্রুইটমেন্ট অমদা খনখ্রবা অগাবিরগী ত্রেন্নিং ফংলবা নহা তরুকপু ঙসি অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমা অসাম রাইফলসকী তমেংলোং বটালিয়নদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বটালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্টনা অতৈ নহারোলশিংসু মখোয়গুমা থৱায় য়াওনা কন্না হোৎনদুনা রিক্রুইটমেন্টতা মায় পাকনবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নেপ্রা কম্পানি মখা লৈকাহ

কম্ম্যুনিতি হোলদা নুমিৎ ৩০ নি চুপা চখরকপা 'নিত্যায়াই ধুমেল' গী ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ওজাশিং অমদি আর্টিষ্টশিংনা য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**শৈরেং (এল)ঃ** ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মনিপুরনা ঙসি মনিপুরি শৈরেংগী নুমিৎ-২০২৪ পালন তৌখ্রে। চহি খুদিংগী মেরাগী থানিল নুমিৎতা, নুমিৎ অসি পালন তৌদুনা লাকপনি। থৌরম অদু কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবনি। মনিপুরি শৈরেংবু য়োকখৎনবা হোৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শকাইরবা অশৈবা কেবা য়েংখোম অমসুং সলাম তোম্বদা খুদোলপোৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**লাইরিক (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারলপাৎতা লৈবা কোন্বীরৈ লৈকোলদা ঙসি 'মেরা থানিলগী নুমিদাংৱাইরম অমা' হায়বা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অইবা-অইবী কয়ানা শৈরেংশিং পাথোকখি।

**লীলা (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মমিং লৈরবা শুমাং লীলা কাংলুপ-সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট লিংখৎখিবা চহি ২৮ শুবগী কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরোম মৈজ্রাউদা লৈবা মৈজ্রাউ মোদেল ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়নগী চেয়ারমেন-এল. তোমপীশক, শুমাং লীলা কাউন্সিলগী এদভাইজর-এল. তরপন, লীলা কাংলুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-ওইনাম প্রাফুলোচন্দ্র অমসুং লীলা কাংলুপ অসিগী অহানবা লীলা ইবা-গোজেন লুৱাং শরুক য়াখি।

**হরিয়ানা ঃ** হরিয়ানাদা বি.জে.পি. লুচিংবা নায়ব সিংহ সাইনি অনিরকশুবা ওইনা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম পঞ্চকুলাগী সালিমার গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনচিংবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

শ্রী নায়ব সিংহগী ৱাশক লৌবগী থৌরম হেক লোইবগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা এন.দি.এগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফম অমসু চান্দিগরদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু শরুক য়াখি।

নৌনা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরবা নায়ব সিংহ সাইনিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী সাইনিগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবা অতৈ মন্ত্রিশিংবুসু শ্রী মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা সরকার অসিনা হরিয়ানাবু চাউখৎপগী লম্বীদা অনৌবা তাঙ্কক অমদা পুরকপা ঙম্লগনি। দবল ইঞ্জিনগী সরকার অসিনা লাইরবশিং, লৌমীশিং, লান্মীশিং, নহারোল অমসুং নুপীশিং য়াওনা খুন্নাইগী কাংলুপ খুদিংমক্কী য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

**বিহারঃ** হু চেনবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা য়ু থক্লুবদগী বিহারদা মীওই ২৫ শিখ্রে।

প্রোহিবিসন অমসুং এক্সাইস মন্ত্রি-রতনেস সদানা অকাশবানি পাউমীদা হায়-রাজ্য অদুগী সিৱান জিলাদা মীওই ২০ লৈখিদ্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অদুগী সরন জিলাদা মীওই মঙা অমগসু লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমদুনা থিজিল্লগনি হায়রি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মীওই ২২ দি পোৎয়ান তৌরম্বা য়াই

হায়না চিংনবা য়ু থক্লুরবা মতুং হকচাং নুংঙাইরক্তবদগী হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অহুম অমদি মিৎ উবা ঙমদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা প্রোহিবিসন লোগী মতুং ইন্না ক্ষেতিপুরোন পীগনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ভারত অমসুং মালাৱিগী মরক্তা মরুপ-মপাং ওইবগী অচেৎপা মরী লৈনরক্লি।

মালাৱিগী লিলোংৱেদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকপা ইন্দিয়া-মালাৱি বিজিনেস মিটতা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মালাৱিনা ইং ১৯৬৪ দা মনিং তমখ্রবা মতুংদা দিপ্লোমেটিক রিলেন্সন থম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু য়ামা মরুওইবা লৈবাক অমনি। মালাৱি অসি শেল থুমগী ফিভম ফনা লৈবা লৈবাক অমনি হায়রদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারত অসি মালাৱিগা লল্লোন ইতিক তৌনবদা মরিশুবা খ্বাইদগী চাউবা মপাং ওইরি। মসিগী মথক্তা ভারতনা মালাৱিদা শেল থাদবগী লমদসু চাউরবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা হেন্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা ভারত অমসুং মালাৱিগী মরক্তা শেল থুমগী অচেৎপা মরী থমনবসু রাস্ত্রপতিনা আপিল তৌখি।

**অসাম** ঃ অসামগী কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্কতা কুরাক মখল ৪৪৬ হেন্না উবা ফংদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা কুরাক খ্বাইদগী মশিং য়ামা লৈবা অনিসুবা মফম ওইরে। অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা নমদাফা নেসনেল পার্কনা কুরাক মশিং খ্বাইদগী হেন্না লৈবা মফম ওইরি। মোন্সুন জ্যোতি গোগোই হায়রিবা সাইন্তিষ্ট অসিনা থিজিনবদগী কুরাকশিং অসি মশিং থিবগী থবক চথ্খিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা শ্রী গোগোইবু মহাকা তৌরিবা থবকশিং অসিগীদমক্তা থাগৎপা ফোংদোকখি। বরমিজ থ্রিলিং য়াওনা অনৌবা কুরাক মখল ১৮ নৌনা মশক তাকপগীদমক্তা

থাগৎপা ফোংদোক্লি।